মনা য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১ (ঐচএন এস): ইস্লামিক ইংলিস স্কুল লিলোং হঙ্গামথাবীগী ২৫শুবা ওজাগী নুমিৎ থৌরমগা লোয়ননা লাইরিক লাইশু হৈবা মহৈরোয়শিংদা মনা মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম ঙরাং স্কুল অসিগী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর গভর্ণমেন্টকী দেপ্যুটি ইন্সপেক্টর ওফ স্কুল লিলোং কে এস ঐচ বিশ্বাজিৎনা চীফ গেষ্ট, ইস্লামিক ইংলিস স্কুলগী প্রিন্সিপাল য়ুমলেম্বম মনিতোন্না প্রসিদেন্ট, সন রাইজ পব্লিক স্কুলগী প্রিন্সিপাল এম দি আলি, তরুকশুবা অসাম রাইফলসকী মেজর রায় অমসুং ইস্লামিক ইংলিস স্কুলগী ফাউন্দর সেক্রেটরি সেখ নাসির অহন্মনা গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা বোসেম্লা লৌবা কুমজা ২০১৮গী ক্লাস টেনগী এগজামিনেসন্দা ফার্ষ্ট দিভিজন্দা পাস তৌরকখিবা স্কুল অসিগী মহৈরোয়শিং অমসুং অতোপ্পা ক্লাসশিংগী টোপ্পরশিংদা মনা পীদুনা পূক্নিং থৌগৎখি।

কবি টির্থগী থৌরম

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচএন এস): এল দি এম আর্টস সেন্তরনা শীন্দুনা থা অসিগী ২৩গী নুংথিল পুং ১ তাবদা মোইরাংখোমদা লৈবা এম দি য়ু হোলদা মুতুৱা তোম্বনা লেপ্তুনা কলম পায়রকপগী কবি টির্থ চহী অহুম থা অহুম লেপ্তুনা পাঙথোকপা অদু লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোক্লগনি।

থৌরম অসিদা আর্টস এন্দ কলচর মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা চীফ গেষ্ট, অমিক্কী প্রসিদেন্ট শগোলশেম টিজেন্দ্রনা প্রসিদেন্ট অমসুং ও ধনেশ্বরনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াগনি। থৌরম অসিদা মুতুম সচি ষ্টেট এৱার্দ থিএটরদা বি কে পেবিয়াদা পীরগনি। লোয়ননা অরিবা ইনাৎকী ওইনা টি ঐচ রাধামোহোন্দা পীরগনি।

চহী লিশাং শিংনা মুতুৱা তোম্বগী লাইরিকশিং নৈনরকখিবা সরতচন্দ্র লোংজোম্বদা ষ্টেট ক্রিটিক এৱার্দ খূৎশিন্নগনি হায়রি।

থৌরম অসিদা মুতুৱা তোম্বগী লাইরিক *অপূনবা মশক* মরিশুবা শরুক অমদি মুতুৱা তোম্বজ ৱর্কস ওন আর্টস এন্দ লিটরেচর (বাইওগ্রাফি) অমসুং সম্মরি লাইফ (কেসেট) ফোঙগনি। থৌরম অদুগী অরোইবদা মণিপুর দ্রামাটিক য়ুনিয়নগী অইবা অসিনা ইবা দ্রামা *চঙজফম* উৎকনি হায়না সেক্রেটরি এল কমলাকান্তনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

সোসল সার্ভিস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচএন এস): য়ুনাইটেদ ক্লবস দিভলপমেন্ট এসোসিএসন (য়ু সী দি এ) পাৎশোইএ সীনা শীন্দুনা ইম্ফাল নম্বুল মপাল লয়ন্স ক্লবকা খূৎশম্নদুনা এ সী অসিগী সিটিং এম এল এ, এক্স এম এল এ, জিলা পরিষদ, প্রধান, মেম্বর অমদি সোসল ৱার্করশিংগী মতেংগা লোয়ননা থা অসিগী ২৩ অমদি ২৪গী অয়ূক পুং ৭ তাবদা ওরিয়েন্টেল কোলেজ গেটতগী এস এ আই রোদকী তাকয়েল খোংবাল তাবা ফাওবা টিম অপ সোসল সার্ভিস প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্কনি হায়না য়ু সী দি এগী জেনরেল সেক্রেটরি সঞ্জিব কামৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

অহানবা পোজিসন ফংখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচএন এস): সাইনিক স্কুল ইম্ফালগী ক্লাস টেনগী মহৈরোয় কেদেট লিচিংহেনবা লাইরেনময়ূম্না ৪০শুবা ষ্টেট লেভেল সাইন্স সেমিনার ২০১৮গী অহানবা পোজিসন লৌরক্লে।

দিরেক্টরেট ওফ এদ্যুকেসন গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৯দা পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা পাঙথোকখিবা সাইন্স সেমিনার অদুদা কেদেট লিচিংহেনবা লাইময়ূম্না অহানবা পোজিসন লৌরকপগা লোয়ননা নেসনল লেভেল ষ্টুদেন্টস সাইন্স সেমিনার ২০১৮ লাক্লিবা ওক্টোবর ৫দা বেঙ্গলোরগী বিষ্টভরায়া ইন্দষ্ট্রিএল এন্দ টেক্নোলোজিকেল ম্যুজিয়মদা পাঙথোক্কদবা সেমিনার অদুদা ষ্টেট অসিগী মহুৎ শিন্দুনা শরুক য়াগনি হায়না পি আই বি দিফেন্স ৱিংগী চেরোল অমনা হায়রি।

য়ুথ লীদরসিপ কেম্প

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচএন এস): ওল কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (অকসু) না শীন্দুনা ঙসিদগী ওক্টোবর ৫ ফাওবা নুমিৎ ১৫নী চূপ্পা পাঙথোক্কদবা রেসিদেন্সিএল য়ুথ লিদরসিপ কেম্প অমা হৈরোক পার্ট টু ময়ায় লৈকায় অপ্পর প্রাইমারি স্কুল নিয়র হৈরোক পুলিস ষ্টেন্দা পাঙথোক্লগনি। থৌরম অসিদা শরুক য়ানীংবা নহাশিং, নুপা অমসুং নুপীশিং, সোসল ৱার্করশিং অমদি য়ুথ লিদরশিংনা মশা মশানা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং লোইনরক্কদবনি। কেম্প অসিদা য়াওনীংবা মীওইশিংনা কোলেজগী প্রিন্সিপালশিংদগী নমথোক্লবা ফোর্মশিং মেনশিল্লগা শরুক য়াবা য়াগনি। লোয়ননা মশা মশাগী পাসপোর্ট ফোটো কোপি ২/২, অধার কার্দ ফোটোষ্টেট কোপি অমমম য়াওরক্কদবনি। কেম্প অসি পূন্না সিট ৫০খক্তনি হায়না অকসুগী পব্লিসিটি সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

নাগাশিংনা খুন্দাবা মফমশিং অমত্তা ওইনা পূনশিনবগী ৱারেপ লৌখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচএন এস): তরাহুমদোইশুবা নাগালেন্দ লেজিসলেটিভ এসেম্বলি (এন এলএ)গী অনীশুবা মীফমগী অরোইবা নুমিৎতা জোইন্ট লেজিসলেটর ফোরম অমুক হন্না শেমদুনা ইন্দো নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী মরমদা মখা তানা স্পিকর ভিকো য়োসুগী চ্যেরমেনসিপকী মখাদা ৱারেপ কয়া লৌননবা খন্নখ্রে।

খন্না নৈনবা অদুদা হাওস অসিগী চীফ মিনিষ্টর নেফিয়ু রিওসু শরুক য়াখি। খন্না নৈনবা অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা হৌখিবা দিকেদ কয়া নাগাশিং কৎথোকপগা লোয়ননা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অদুবু মপূং ফানা থাগৎপগা লোয়ননা ইকায়খুম্নীনংঙাই ওইবা, মীয়াম্না য়ানীংঙাই ওইবা, মনুং হঞ্জিনবা অমদি মতম শাংনা চৎনগদবা ইন্দো নাগা পোলিটিকেল ইস্যুগী সোল্যুসন পুরক্লবা হোৎনবগী মনুং চন্না পোইন্ট তরুক য়াওবা রিজোলুসন অমা হাওস অসিনা ৱারেপ লৌখ্রে।

হাওসকী মেম্বরশিংনা নাগাগী মীওই খুদিংমক্তা অপূনবগী থৌনা হেন্না চেৎশিলহন্দুনা অমদি ঈং তপ্পদা শরুক য়াদুনা হৌজিক চত্থরিবা নাকল অনীগী ওইবা ৱারী শান্নবা অসি মপূং ফাবা য়ানবগী পনখৈ অমা পুরকমিন্নসি হায়না আপিল তৌখি।

হাওস অসিনা নাগা পোলিটিকেল গ্রুপকী মরু ওইনা হাওসতগী মপান থোকখ্রবশিংনা অথুবা মতমদা ঈংতপ্পা অমুক হন্না হঞ্জিল্লক্নবা ৱারী শানবা অসিদা পূক্নিং থৌগৎসি হায়নসু ফোঙদোকখি।

নাগালেন্দ লেজিসলেটিভ এসেম্বলিনা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লমজিং মখাদা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখিবদা শরুক য়াখিবা পার্টি পূম্নমকপু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

লোয়ননা নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপশিংনা ২০১৭কী নবেম্বর ১৭তা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা খূৎয়েক পীনখিবা এগ্রীমেন্ট অদুগী মতাংদসু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

এসেম্বলি অসিনা কুমজা ১৯৬৪গী দিসেম্বর ১২, কুমজা ১৯৭০গী ওগষ্ট ২৮, কুমজা ১৯৯৪গী সেপ্টেম্বর ১৬, কুমজা ২০০৩গী ওগষ্ট ১৮, কুমজা ২০১৫গী জুলাই ২৭তা নাগা ইনহেবিটেদ এরিয়াশিং পূনশিনবা অমসুং নাগা খুদিংমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ অম্ব্রেলা অমগী মখাদা থম্বা হায়না এসেম্বলিগী ৱারেপশিং লৌখ্রবনি।

হাওস অসিনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা চহী ৭০ শুরক্লবা নাগা পোলিটিকেল ইস্যু অসিগী অচুম্বা খঙবীরকপা অমদি চহী ২১ রোম চূপ্পা য়ানবা পুরক্লবগী খোঙজং চঙশিল্লক্লিবা অসিবুসু থাগৎপা ফোঙদোকখি। মতুং তারকপদসু ন্যু দেল্লিনা ইকায়খুম্নীনংঙাই ওইবা, মীয়াম্না য়াবা অমসুং মতম চূপ্পগী ওইনা শন্দাইনগদবা ফীভম অমা পুরক্লবা হোৎনবীয়ু হায়নসু তকশিনখি।

মীফম অদুদা ৱা ঙাঙখিবা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, নাগা ক্লব অসি ১৯১৮দা শেমখিবনি অমসুং কুমজা ১৯২৯গী জন্যুৱারী ১০দা সাইমন কম্মিসন্দা মেমোরেন্দম অমা সবমিট তৌখি অমসুং নাগাশিংগী রাইট অমদি মরোমদোম লেপচবগী অপাম্বা অদু ফোঙদোকখি।

চহী অসি নাগা ক্লবকী সেন্টিনরি য়র ওইবগা লোয়ননা ক্লব অসিগী ফাউন্দরশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা নাগাশিংগী অপাম্বা অদু অইবা চেরোল ওইনা ইহান হান্না ফোঙদোকখিবগী রেকোর্দ থম্বীরম্বগীদমক্তা অমুক হন্না থাগৎপা ফোঙদোকখি।

রিওনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা কুমজা ১৯৪৭তা নাগা-অকবর হায়দরি এগ্রীমেন্ট পোইন্ট ৯ য়াওবা অদুবু পল্লদুনা নাগাশিংগী রাইট রিকগনাইজ তৌবগা লোয়ননা নাগাশিংনা খুন্দারিবা মফমশিং অমত্তা ওইনা পূনবগী দিমান্দ অদুবুসু ফোঙদোকখিবনি। মতুংদা ১৯৬০দা পোইন্ট ১৬ য়াওবা এগ্রিমেন্ট অমা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা খূৎয়েক পীনখি।

সনামহী লাইনীং চৎপশিং স্পিসিয়েল ষ্টেটস অমদা থমগদবনি : সিকো

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচএন এস): মালেমগী মীওই ফুরুপশিংগী মনুংদা য়াম্না অরিবা ফুরুপ অমা ওইরিবা মীতৈশিংগী সনামহী লাইনীং অসি ইরমদম অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা চহী খরগী মমাঙদা শকখঙলবা মীতৈ ফুরুপকী ওইবা অমত্তা ঙাইরবা অশেংবা লাইনীং অমনি হায়না সাউথ ইষ্ট এসিয়া কলচরেল ওর্গেনাইজেসন (সিকো) না ফোঙদোরক্লি।

সিকোগী সেক্রেটরি পব্লিসিটি থাংজম ইনাওচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অসিগুম্লবা থাক ৱাংলবা চহী লিশীং কয়া শুরবা লাইনীং অসিবু য়োকখৎপনা মালেম অসিদা মীতৈ কৌবা কাঙলুপ, ফুরুপ অমা মথৌনা লৈনা হিংলি হায়বদু খঙহন্নবা হোৎনবদা লৈঙাক অসিগী থৌদাং চাউনা লৈ। সনামহী লাইনীং অসি মণিপুর গভর্ণমেন্টনা শকখঙলবা লাইনীং অমনি হায়বসিগী মরমদি দি লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল এক্ট ১৯৭৬, মণিপুর এক্ট, (২) ওফ ১৯৭৭ অমসুং দি লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ রুলস ১৯৮২দা ময়েক শেংনা ইদুনা য়াওরি। হৌজিক হৌজিকমকসু লাইনিংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ হায়দুনা লৈরিবা অসিনা তাকপদি সনামহী লাইনীং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা শকখঙলবা লাইনীং অমনি হায়বনি।

মণিপুর লৈঙাক্লা সনামহী লাইনীং অসি শকখঙদ্রবদি হৌজিক লৈরিবা লাইনীংথৌ সনামহী টেম্পল বোর্দ কৌবা অসি লৈরম্লোই। লাইবক থীবদি স্কুল অমদি কোলেজগী সেলেবসতা অতোপ্পা লাইনীং কয়াগী মরমদা হাপ্পবসু খ্বাইদগী লীরবা অমদি চহী কয়াগী মমাঙদগী লৈরক্লবা সনামহী লাইনীংগী ওইবদি হাপ্পা লৈত্রি। মণিপুর হায়বা ষ্টেট অসিগী মীতোপ ৱাহেংগী মমিং অসি থোন্দ্রিঙৈ অমদি হিন্দু লাইনীং লাক্লিঙৈদগী লৈরক্লবা সনামহী লাইনীংবু মীকোক থিবদা হাপত্রগা হিন্দুগী, খৃষ্টানগী, মুসলমান অমদি অতোপ্পা লাইনীং ময়ামদি থৱায় য়াওনা অমদি য়াম্না লূম্না লৌদুনা মখোয়গী মমিংশিং ফজনা হাপ্পি। অদুগা সনামহী লাইনীং চৎচবা মীশিংগী অকূপ্পা ৱারোলদি অনৌবা মীকোক থিবদা হাপিদ্রিবসি করি মরমগীনো। সনামহী লাইনীং চৎচবা মীওইশিংবু নমথবনি অমদি থওইদবনি। ইরমদম অসিদি অমনা তৌবদা অমনা য়েৎপা, অমনা অমবু চিংথনবা লমদমনি। কনাগুম্বা মী অমা নৎত্রগা মীওই খরনা অমদি লূপ অমনা মরম চানা মীতৈগীদমক্তা তৌরকপদা মদুদা য়েৎহৌরগা লোইরে, করিদা য়েৎহৌসিগে অমদি থিংহৌসিগে হায়না খনবা ঙাক্তনা অয়াম্বনি হায়রি।

থুগাই য়ৈখাইবা, অয়েৎ অপনপীবা, খুরৌ পংলৌবা, কলকপা অমদি নিংদোন পোম্বনা অয়াম্বনি। মরম অদুনা হৌজিক্তি ঐখোয় মশেল য়েৎনবা তোকসি, ঐখোয় ঐখোয়গী য়ূমদা সনামহী লাই লাৎলিবা ঐখোয় খুদিংমক্লা সনামহী লাইনীং অসি চাওখৎনবা অমত্তা ওইনা হোৎনফম থোকই। ঐখোয়না হোৎনদ্রগা কনা অমদি করম্বা অতোপ্পা ফুরুপ অমা লাক্লগা ঐখোয়গীদমক সনামহী লাইনীং অসি চাওখৎনবা হোৎনরক্তদ্রা। মরম অদুনা সনামহী লাই লাইরিবা ঐখোয় খুদিংমক্লা সনামহী লাইনীং চাওখৎনবা হোৎনগদবনি।

মিনিষ্ট্রি ওফ মাইনোরিটি এফেয়রসকী এনেকচর টু দি রিপোর্ট ওফ দি নেসনল কম্মিসন ওফ রিলিজিয়স এন্দ লিঙ্গুইষ্টিক মাইনোরিটি ভোল্যুম টুগী লমায় ১৬৩দা ওবজার্ভেসন অমা ওইনা অসুম্না ইরি। দি সনামহী পিপল ওফ মণিপুর মে বি ইনক্লুদেদ ইন দি কেটেগোরি ওফ মাইনোরিটি। অদুবু ঙসি ফাওবদা থবক্তা ওন্থোক্ত্রি হায়রি।

নাকল অমরোমদা, লৈঙাক্কী মরী লৈনবা চে চাংদা, দোক্যুমেন্টতা অমদি ফোর্মতা লাইনীংগী ওইবা কলম হাপ্পদা তোঙান তোঙানবা লাইনীংগী মমিং হাপ্পগা সনামহী লাইনীং/সনামহীজম অসি হাপ্তবনা সনামহী লাইনীং চৎচবশিংবু লান্না লমজিংদুনা লাক্লি হায়রি।

ঐখোয়গী ফুরুপ অসি চহী লিশীং কয়াগী পুৱারী লৈজবা লৈবাকনি। অদুবু ঙসি ফাওবা ইন্দিয়া লৈঙাক অমদি মণিপুর লৈঙাক্লা মীতৈনা য়ূম য়ূমদা লাৎনরিবা সনামহী লাইনীংবু হেন্না মশক থোকপা লাইনীং অমা ওইহন্নবা হোৎনদ্রিবা অসিগী মরম করিনো হায়না হংলক্লি। মসি লাইনিংথৌ সনামহী লাইবু মীরাইবগী খুদমনি। লৈবাক অসিগী লৈঙাকলোনগী অচৌবা অমদি অকনবা থৌগাই লাংলিবা এন দি এ গভর্ণমেন্টকী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমদি মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না লুচিংবা চুংশিন্নবা লৈঙাক্তা সিকোগী মায়কৈদগী থমজরিবা ৱাফমদি, সনামহী লাইনীংবু হেন্না মশক থোকপা লাইনীং অমা ওইহন্নবা অঙন্বা থাক্তা থুনা হোৎনবিরকপগা লোয়ননা সনামহী লাইনীং চৎচবা মীওইশিংবু অখন্নবা ফিদা অমদা থম্বীয়ু। সনামহী লাইনীং চৎচবা মীওইশিংবু স্পিসিয়েল ষ্টেটস অমদা থম্নবা অথুবদা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়রি।

সিকোনা থল্লিবা ৱাফম অসি লৈঙাক্লা করিগুম্বা থবক্তা ওন্থোক্লবা থৌরাং অমা লৌখৎপীদবা তারগদি সিকোনা মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাদুনা লৈরে হায়রি।

য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেমগৎপা তঙাইফদ্রে : এম এস সী

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচএন এস): মণিপুরগী ঙমখৈ লৈত্রবা শোখদুনা লৈরিবা ফীভম অসিবু ওইহন্দনবগীদমক ষ্টেট অসিদা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা লৈঙাক পায়রিবশিংনা মীরাইবীবা, খম্বীবদবা অসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না খোইরাংবা পেন্দবগী থৌদোক কয়া উবা ফংলি হায়না মণিপুর ষ্টেট কম্মিটি দেমোক্রেটিক ভারতিয়া সমাজ পার্টিনা ফোঙদোরক্লি।

পার্টি অসিগী প্রসিদেন্ট চবুংবম প্রেমচন্দ্রনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, দিকেদ ৬০ হেল্লবা অসিদা য়েংলুয়েংলুবা হীরম খুদিংদা পেন্দবগী পেন্দবা ঙাক্তনা থল্লবা ময়াম অসিনা পূনশিল্লগা খাঙমদ্রবা চৈনাখোল কয়ানা ঈহৌ কয়াদা ময়েক শেংনা তারি। কুমজা ১৯৪৭তা মণিপুরনা নীংতম্বা ফংখ্রবা অমদি ১৯৪৯দা মণিপুরনা ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা তিনখ্রবা মতুংদা হৌখ্রবা চহী কয়া অসিদা মীয়ামগী পোলিটিকেল, ইকনমি, সোসল এন্দ কলচরগী লমদা অহোংবা উবা ফংদ্রি হায়বা য়াই।

মতম মতমগী ওইনা পার্লিয়ামেন্ট নৎত্রগা ষ্টেট এসেমব্লিগী ইলেক্সন তৌদুনা লৈঙাক্কী অহোংবা কয়া লাক্লবসু ইস্যু কয়াদি কোকপগী মহুত্তা নোংমা নোংমগী ফীভম শোকচিল্লক্লি। লৈবাক অসিনা নীংতম্বা হেক ফংলকপদগী ষ্টেটশিংগা মীমান্নদনা য়েংবা মীৎয়েংনা মখল মখা কয়াগী এক্সপ্লোইটেসন কয়াগী মখূৎতগী মীয়াম্না নীংতম্বা ফংবা পাল্লক্লি।

শেঞ্জাও পায়বশিংগী লৈঙাকলোন শন্দোরক্লি অমদি মিদল ক্লাসকী মীওইশিংগা খম থেংনা খেন্নবা মওংদা চাওখৎহন্দনা নৈহৎতুনা থম্বীরি। মসি করিদগী ওইরকখিবনো হায়বসি কূপ্পা নৈনবগী তানফম অমা লাক্লে।

মণিপুরগী ওইরক্লিবা তং তাদবা ফীভম অসি মণিপুরদা লৈঙাক পায়রম্বা ইলেক্সন ওরিয়েন্টেদ পোলিটিকল পার্টিশিং অমসুং মসিগী তুং ইনবা পার্টিশিং অমদি মীওই খুজোক খরনা ইলেক্সনগী খুদোংচাবা ফংনবা মরে অনী লোংবা থবক থৌরম কয়া চত্থরম্বা, পোলিটিকেলগী অরানবা খোঙথাংগী চৈথেং মীয়াম্না ফংলিবনি। আইদোলোজিকেল, পোলিটিকেল, ফিলোজোফি চিনফা পুদুনা হায়রম্বদি য়াই অদুবু থিওরিগা প্রেক্টিকেলগা পূন্না পাঙথোকপা ঙমদ্রবদি মদু মখোয়না পোলিটিকেল লাইনগী অরানবা খোঙথাংনি হায়না লৌই।

ৱা ঙাঙবা হৈবখত্তনা নত্তে, ৱাখলবু লৈরবদি, থম্মোয়দসু ফাওরবদি মশাগী ৱাঙাঙ অদুম হৈজবদু থোরক্কনি। মীওই খুজোক খরা অমদি পোলিটিকেল পার্টি খরগী মীয়ামগী কোক্তা নল্লিবা অসি মতম খরা অসিদা অওনবা খরদি পুরক্লে। অদুবু লৈঙাক্কী চুক্লি পায়রিবশিংনা লন থুম পৈশিনবা, নক্লবা মীওইশিংবু থবক হাপ্পা পূম্নমক অসি মীয়াম্না খঙনরবা ৱাফমনি হায়রি।

অমরোমদা, মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরিবা মীওই খুজোক খরবুসু পার্টিগী ওইবা লৌফম থোকপা থবক লৌখৎপা ঙমদবা, চিন্দনা মণিপুরগী অপূনবগী শক্তম কায়রোই হায়না লাউরিবা অমসুং খূৎশম্নরিবা অমরোদনা মণিপুর থুগাইনবশিংবু কনখৎতুনা পোলিটিকেলগী খুদোংচাবা ঙাইবা, লৈঙাক পায়দ্রবদি হৈনদবা, মণিপুর থুগাইনবা হোৎনরিবা মীওইশিংবু ইনোৎ হাপ্তুনা ফমথোন থিন্দোক্লিবা অসিবু ঙক্তবা ঙমদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অপূনবা য়ুনাইটেদ ফ্রন্ট অমা শেমদুনা মীয়াম্না য়াবা তুং কোয়না চৎনগদবা কম্মন মিনিম্মম প্রোগ্রাম অমগী মখাদা ৱাখল্লোন মান্নবা পার্টিশিংগী প্লেট ফোর্ম অমা শেমগৎপা তঙাইফদ্রে হায়না ফোঙদোরক্লি।

পোসন মেলা মফম ২দা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচ এন এস): নেসনল ন্যুত্রিসন মন্থকী শরুক অমা ওইনা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন অমসুং আই সী দি এস সেল চান্দেলনা শীন্দুনা চান্দলগী জাফৌ কৈথেলগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা ঙরাং পোসন মেলা পাঙথোকখ্রে।

পোসন মেলা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা এদিসনেল দেপ্যুটি কম্মিস্নর চান্দেল ডা. এ চীংলেনখোম্বা মীতৈ, সী এম ও চান্দেল ডা. সেরথানি সেরবম, দি ও ফুদ সেফটি এদমিনিষ্ট্রেসন চান্দেল এলবিসন থৌমান অমসুং দি পি ও আই সী দি এস সেল চান্দেল টি ঐচ ফুলোবতিনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, গেষ্ট ওফ ওনরশিং অমসুং প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙবদা চান্দলগী এ দি সী ডা. এ চীংলেনখোম্বনা, পীক্লিবা অঙাংশিংগী ৱাখল অমদি হকচাং ফনা থম্বদা মতেং ওইনবা অফবা চাংচাবা চিঞ্জাক পীজবগী মরু ওইবশিং অদু পনখি। মসিনা অঙাং অদুগী তুংগী পুন্সিদা মপূং ফানা চাওখৎপা পুরকপা ঙমগনি। চাং চাবা মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজবা ৱাৎপনা অঙাংশিং চাউদম থীবা, ৱাখল লৌশিং মপূং ফাদবনচিংবা কয়া থোকহল্লি। চান্দেল দিষ্ট্রিক্ট অসি এসপিরেস্নেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইবনা পোসন অভিয়ান মিসন অসিসু দিষ্ট্রিক্ট অসিগী য়াম্না মরু ওইবা অমসুং মরী লৈনবা মিসন অমনি। মীয়ামনা য়ানশিল্লবা পোৎলমশিং য়াওবা চিঞ্জাকশিং চাদনবা লোয়ননা ফুদ প্রোসেসিং য়ুনিটশিংনসু অসিগুম্বা পোৎয়ান য়াওরবা পোৎলমশিং অসি শীজিন্নদনবা ৱাফমসু ফোঙদোকখি।

মীয়াম্বু মশা মউ ফনা থম্নবা আই সী দি এস দিপার্টমেন্ট অমসুং মেদিকেল দিপার্টমেন্টকা পূন্না চঙশিনমিন্ননবা ৱাফমসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা পোসন মেলা অদুদা চান্দেল প্রোজেক্ট, চাকপিকারোং প্রোজেক্ট অমসুং থেংজোই প্রোজেক্টকী মেম্বরশিংনা শরুক য়াখিবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুগী থৌরমগী শরুক অমা ওইনা দ্রোয়িং কম্পিটিসন অমসুং ফেন্সি দ্রেস কম্পিটিসনশিংসু অঙাংশিংগীদমক্তা পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা এ সী টু দি সী মহেস চৌধুরি, এ সী টু দি সী লোকতোংবম লেন্দর অমসুং স্বাসথ প্রিরাক, টাটা ত্রষ্ট র্জজলাংনৈকুম সী টি পি ওশিং, সুপর ভাইজরশিং, অঙ্গনৱাদি ৱার্করশিং অমসুং দিষ্ট্রিক্ট অসিগী অতোপ্পা গভর্ণমেন্টকী ওফিসলশিংসু শরুক য়াখি।

অমরোমদা, চাইল্ড দিভলপমেন্ট প্রোজেক্ট ওফিসর ইম্ফাল ইষ্ট ৱান, আই সী দি এস শওম্বুংনা শীন্দুনা পোসন মেলা, রাষ্ট্রিয়া পোসন মা, নেসনল ন্যুত্রিসন মন্থ ঙরাং শওম্বুং কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পুখ্রম্বম সুরবলা প্রধান ৱাইতোন গ্রাম পঞ্চায়ট, ক্ষেত্রিময়ূম সুবদনি সী দি পি ও ইম্ফাল ইষ্ট ৱান শওম্বুং, জোগেন্দ্র এস দি ও শওম্বুং, কে ঐচ বারবানন্দা দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম ওফিসর আই সী দি এস সেল পোরোম্পাৎনা মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইখি।

থৌরম অদুদা ডা. এলাংবম জেনিতা অমদি এস সোফিয়ানা রিছোর্স পার্সনশিং ওইনা ৱা ঙাঙখি। থৌরম অদু পাঙথোকপগী মরুওইবা থিমশিংদি পীক্লিবা অঙাংশিং, পোকপদগীনা চহী ৬ ফাওবগী অঙাংশিং, মীরোনবী, চাজেনবী, ইনখৎলক্লিবী নুপীমচাশিংবু মশা মউ ফনা তিঞ্জং কায়জংদবা মীওই অমমম ওইনা লৈনবা মচি ওইবা চিঞ্জাক চাবা হায়বসি মরুওইবা অমনি হায়না ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌবনা সেপ্টেম্বরগী অহানবা চয়োলদং চহী খুদিংগী থৌরম পাঙথোক্লম্বদু হন্দক চহীদগীদি থা অমা চূপ্পা পাঙথোকপনি হায়রি।

মহৈরোয়শিংনা সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচ এন এস): প্রভাবতি কোলেজ ময়াং ইম্ফালগী মহৈরোয়শিংনা কোলেজ অসিগী শেমগৎ শাগৎপদা শেঞ্জা থুমজা তৌই হায়দুনা য়ানীংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি সিট ইন প্রোটেষ্টকী খোঙজং চঙশিনখ্রে।

প্রভাবতি কোলেজ ময়াং ইম্ফালগী সোসল এন্দ কলচর সেক্রেটরি অসেম রোসন্না খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, ঙসি পাঙথোক্লিবা সিট ইন প্রোটেষ্ট অসি মরুওইনা মমাঙগী কোলেজ অসিগী প্রিন্সিপাল অমদি মমাঙগী জি বিগী সেক্রেটরি অনীনা কন্সত্রক্সন কম্মিটি অমা শেমদুনা য়ু জি সীগী শেন্থং মখাদা প্রভাবতি কোলেজ ময়াং ইম্ফালদা শাখিবা ৱিমেন হোষ্টেল, ইন্দোর ষ্টেদিয়ম অমদি স্বিম্মিং পুলগী ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংদা শেমগদবা আইটেম কয়া ৱাৎলম্বদা নত্তনা শারল্লিবা খরা অসিসু ফজনা ক্বালিটি মেন্টেন তৌরমদবদা শীজিন্নবা য়াদবা কয়া য়াওরকপা অসিগী মতাংদনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৩দসু ইলেক্ত্রোনিক ন্যুজ চেনেল অমগী খূৎথাংদা মরী লৈনবা ওথোরিটিনা শোয়রল্লিবা পোৎলমশিং অসি থিদোক্তুনা অৱাৎপা লৈতনবা অমুক নৌনা শেমজিন শাজিনবীনবগী মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোকখিবসু লৈরবনি।

মখা তারকপদা হৌখিবা এপ্রিল ২৯দসু অমুক্কা হন্না কোলেজ অসিগী নৌনা শেমগৎখিবা গভর্নিং বোদিগী মায়কৈদসু হায়রিবা য়ু জি সীগী ফন্দ মিস য়ুজ তৌবদা চেন্নবা ওফিসল খুদিংমক মশা মশাগী ফমদগী সস্পেন্দ তৌবা নৎত্রগা টর্মিনেসন তৌবিনবা অমদি ৱাৎলল্লিবশিং অসি অমুক নৌনা শীজিন্নবা য়ানবা শেমজিনবীয়ু হায়বা ৱাফম কয়া য়াওবা মেমোরেন্দম্নচিংবা কয়াসু পীশিনখ্রবনি।

অসুক কুইরবা মতম অসি ফাওবা হৌজিক লৈরিবা কোলেজ অসিগী ওথোরিটি অমদি মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী করিগুম্বা পোজিটিভ ওইবা থৌওং অমত্তা লাক্তবদগী সিট ইন প্রোটেষ্ট অসি পাঙথোকপনি।

হৌজিক লৈরিবা কোলেজ ওথোরিটিনা পুং ২৪গী মনুংদা করিগুম্বা য়ু জি সীগী ফন্দ মিস য়ুজ তৌবগী স্কাম অসিদা চেন্নবা মীওইশিং সস্পেন্দ তৌবা নৎত্রগা টর্মিনেট তৌবগা লোয়ননা অৱাৎপা আইটেমশিং অসি শাগৎপগা লোয়ননা ক্বালিটি মেন্টেন তৌদবশিং অসি অথুবা মতমদা শেমজিনগনি হায়না মিদিয়াগী খূৎথাংদা মীয়াম খঙনা ফোঙদোরক্ত্রবদি পুং ২৪গী মতুংদা কোলেজ অসিগী একাদেমিক ব্লোক অমদি এদমিনিষ্ট্রেটিভ ব্লোক মতম কক্তনা থিংজিনবগী খোঙজং য়াওনা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিল্লগনি হায়রি।

কাদাগী মপোক নুমিৎ থৌরমগা মরী লৈননা চিলদ্রেন হোমদা তেংবাঙখ্রে

12th FOUNDATION Day
of
Coalition Against Drugs & Alcohol
Health for Future

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচএন এস): কোলিসন এগেনষ্ট দ্রগ এন্দ অলকোহোল (কাদা) না লমদম অসিদগী ময়াই কাবা চিঞ্জাক মরূ ফংনা মুখৎনবা চঙশিল্লকপা দ্রাইভ, এৱ্যেরনেস কেম্পেয়ন, পোষ্টর কেম্পেয়ন অমসুং জর্নেল ফোঙবনচিংবা চঙশিল্লকপগী শরুক অমা ওইনা অচানবীগৈদা লৈবা পোইরৈ নৱাখোল হোমদা চান-থক্লবগী পোৎলমশিং থা অসিগী ১৮দা তেংবাঙখ্রে।

কাদাগী ১২শুবা মপোক কুমওন থৌরমগা মরী লৈনন্না ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা অচানবীগৈদা লৈবা পোইরৈ নৱাখোল হোমদা কাদাগী থৌমীশিংনা চৎতুনা চেঙ, আলু, অচাথাও, হৱাই অমসুং চান-থক্লবা পোৎলমশিং মতেং পাংবগা লোয়ননা এক্সর্সাইজ বুক, কোলোম অমসুং চাক থোংবদা শীজিন্নবা পোৎলমশিংসু খূৎশিন্নরমখি হায়রি।

কাদানা ময়াই কাবা চিঞ্জাক্তা লাইচুরবা মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী পুন্সিবু মহৌশাগী ওইবা পুন্সি মরেল অমদা হল্লক্নবা হোৎনদুনা লাকপগা লোয়ননা কাদাগী ওইবা রিহেবিলিটেসন সেন্তর অমা মীয়ামগী মতেংখক্তনা লৈঙাক্কী মতেং য়াওদনা চলাইবা হৌখ্রে।

চিলদ্রেন হোমদা পোৎলমশিং খূৎশিন্নবগী থৌরম অদুদা কাদাগী প্রসিদেন্ট ইন চার্জ হিজম প্রিয়োকুমার, ওল মণিপুর তম্মী চীংমী অপূনবা লূপকী প্রসিদেন্ট এস মোমোন লৈমা, নোংচুপ লৈঙাক অপূনবা নুপী লূপকী প্রসিদেন্ট ৱাই মেম্মা, লৈমকোলগী প্রসিদেন্ট এম সী রিতানা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি হায়রি।

আর এস এফনা খোঙজং চঙশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচ এন এস): রিফোর্মিষ্ট ষ্টুদেন্ট ফ্রন্ট (আর এস এফ) না ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজংগী মনুং চন্না থা অসিগী ১৯দা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা টাইনিটোটস য়ুনিক স্কুলদা আর এস এফকী থৌমীশিংনা মহৈরোয়শিংগা পূননা খোঙজং চঙশিনখ্রে। থা অসিগী ২০দনা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ন্যু পব্লিক হায়র সেকেন্দরি স্কুলদসু হ্যুমেন চ্যেন শেমদুনা স্লোগানশিং লাউখি।

আর এস এফনা য়াম্না নুংঙাইজদবদি হন্দক মণিপুরগী মনুং চন্না লৈবা মফম অমদা অতোপ্পা ষ্টেটকী ফ্লেগ চিংখৎলিবদু আর এস এফনা য়ানীংদবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা নুংঙাইতবা পোকই হায়রি।

ঐখোয়না ঙসি ফাওবদা কম্যুনেলগী ৱাফম অমত্তসু হায়খিদ্রি। ঐখোয়না পাম্বদি ইমা অমত্তগী মচানি খল্লিবনি। ঐখোয় পূন্না ঙমখৈ ঙাকমিন্নরসি। হৌজিক ঐখোয় মশেলদা অমগা অমগা হুন্নবগী মতম নৎত্রে। ঐখোয় মশেলনা অসুম্না ঙংখৎনরিঙৈদা মায়কৈ কয়াদগী শিংচেপ থারক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে হায়না আর এস এফকী প্রসিদেন্ট থোইবা খুমনচানা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ওকপগী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ২১(ঐচ এন এস): ককচীং খুনৌ ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল কোংগ্রেসতগী তোল্লক্তুনা বি জে পিনা শেল্লবা মতুংদা ঙরাং অমুক বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলসু কোংগ্রেসকী চ্যেরপার্সন ওইরম্বা লাইশ্রম মনিয়াইমনা কোংগ্রেসতগী তোল্লক্তুনা বি জে পিদা য়াওরকপদা বি জে পি ষ্টেট ওফিসতা ওকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

বি জে পি ষ্টেট প্রসিদেন্ট কে ভাবানন্দা, এম পি রাজ্য সভানা অয়াবা পীখিবগা লোয়ননা হয়েংদগী বি জে পিগী কাউন্সিল ওইনা শেল্লগনি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) কে সরতকুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা লাইশ্রম মনিয়াইমবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অদুদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন, ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎ, মণিপুর পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী চ্যেরমেন এল রাধাকিশ্বর, এম এল এ টি ঐচ সত্যবর্ত্ত অমসুং পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট টি ঐচ বসন্তনচিংবনা শরুক য়াখি। বিষ্ণুপুর ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলসু বি জে পিনা পায়রবনা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টতা কোংগ্রেস পার্টি মুৎলে হায়বা ময়েক শেংনা তাকচরে । লোয়ননা মখা তানা কোংগ্রেসকী লুচিংবা কয়াসু বি জে পিদা য়াওরক্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে হায়রি।

MILLENNIUM INSTITUTE OF SCIENCES
Kwakeithel Mayaikoibi, Imphal -01

APPOINTMENT

Date: 18th September 2018

Ref.No.MIS(01)/P-APPT(N)/Sept18/2018 : Applications in prescribed form, available at School Office Counter for the following post:

Sl.No	Name of Post	No. of Vacancy	Minimum Qualification	Starting Salary	Age
1	Nurse	2 (two)	GNM/ANM	Rs. 6000/-	Below 35 yrs as on 1st April 2018

- Issue of application form: **19th September 2018 onwards on payment of Rs.100/- during office hour.**
- Last date of duly filled up application form submission: **24th September 2018 upto 1.00 pm.**
- Date of interview :**Wednesday, the 26th September, 2018 at 11.00 am.**

Sd/- *Principal, MIS*

HL-P/5381/19-23Sept.

REVISION COURSE
CBSE CLASS - IX & X
Sub: Eng, Maths, Science & Social Sc.
COMPLETE DISCUSSION ON CBSE QUESTION PATTERN
CLASS STARTS : Monday, the 1st October, 2018
Timing : 4:30 p.m. to 7.30 p.m.
RESOURCE TUTORIAL CENTRE
KHURAI LAMLONG BAZAR
FORMS will be available from the Office of Resource Tutorial Centre
➢ 9:30 A.M. TO 8 P.M.
☎ 8415923747 / 9366072052
HL-P/2154/17/9-2/10